মপানগী পাউ

নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসতা হান্না খূৎ থারবদি চাইনানা করিগুম্বা য়াওরোই অদুবু য়ু এসনা হান্না খূৎ থারবদি য়াওগনি খঙহনখ্রে

বৈজিং, অগষ্ট ১১ (য়ু এন আই) ঃ হৌজিক কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা উংখৎনবগী ফিভম অমা লাক্লিবা অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা করিগুম্বা য়ু এসতা মিসাইল কাপশিন্দুনা এটেক তৌবা অমদি মদুগী মতুং তারকপদা য়ু এসনা লমন খুন্নগী থৌওংশিং চখরকপদা চাইনানা করিমত্তা য়াওরোই। অদুবু করিগুম্বা য়ু এসনা হান্না নোর্থ কোরিয়াদা খূৎ থারগদি চাইনানা য়াওরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী মায়কৈন্দগীদি য়ু এস অমদি নোর্থ কোরিয়া লৈবাক অনীবু উংখৎনবগী থৌওংশিং চখরিবা অসি য়ারিবমখৈ পূক্নিং ফাথনা লৈনবা তকশিল্লিবনি। করিগুম্বা কোরিয়ান পেনিন্সুলা অসিদা লান থোরকপা তারগদি লমদম অসিদা তংদু লৈতানা লৈবা ফিভমদা অকায়বা থোকপগা লোয়ননা চাওনা মীশি-মীনা নংগদৌরিবনি।

হৌজিক কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি চৈনেনবা ফিভম অমদি অরুবা ফিভম অমদা লাক্লে হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন গেংসুৱাংনা পীখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোক্লি। চাইনানা পনখিবা ৱাফম অমদা মরী লৈনবা পার্টিপুন্নমক্লা মখোয়গী ৱাহৈ অমদি এক্সনশিং অদু য়ারিবমখৈ য়াম্না চেকশিনগদবনি। লমদম অদুদা উংখৎনবা মচাক অমা থোকহন্নবগী মহুত্তা অমনা অমবু থাগৎজনবা পোকহন্ননবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়বগী ৱাফম তকশিন্দুনা লাক্লিবনি।

চাইনানা উংখৎনরিবা নাকল অনীমক্তা করিগুম্বা মখোয়গী এক্সন অদুনা চাইনাগী ইন্টরেষ্টতা অকায়বা থোকহল্লকপা তারগদি মদুদা চাইনাগী মায়কৈন্দগী চপ চানা খূৎ থাদুনা পাউখুম পীগনি হায়না ফোঙদোক্লি। করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসতা হান্না মিসাইল ষ্ট্রাইক তৌবা তারগদি অমদি মদুদা য়ু এসনা খূৎ হল্লকপা মতমদা চাইনানা মসিদা য়াওবগী ৱাফম লৈরোই। চাইনানা মীচঙ-মীখায় নাইদনা লৈগনি। অদুবু করিগুম্বা য়ু এস অমদি সাওথ কোরিয়ানা নোর্থ কোরিয়াদা খূৎ থাদুনা কোরিয়ান রেজিম অসিবু চিংথুদুনা রেজিমদা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনরকপা তারগদি চাইনানা মদুবু থিংনবগীদমক্তা খূৎ থিংজিনবগী থৌওংশিং পায়খৎকনি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী ন্যুক্লিয়র অমদি মিসাইল প্রোগ্রামশিং চখদুনা অকিবা পীরক্লিবা থৌওংশিং অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা অকনবা খোঙথাং লৌখৎতুনা থেংননিংলিবনি। নাকল অনীমক্না লান অমা থোরকপা য়াবগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লোইদবনি। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র অমদি মিসাইল প্রোগ্রামশিং অসি মখা তানা চখদুনা অকিবা পীরকপা তারগদি মদু খূৎ হনবা ঙম্রোইদবা মওংদা লান্দাগনি হায়না খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। মসিগী পাউখুম ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈন্দগী য়ু এসকী মিলিটরিগী বেজ লৈরিবা গ্বামদা বেলিষ্টিক মিসাইল শীজিন্নদুনা এটেক চখগনি হায়না কিহনখিবা লৈখ্রবনি।

পেন্টাগোনগী মায়কৈন্দগীদি গ্বামদা লৈরিবা মিলিটরি বেজদগী য়ু এসকী শক্তি লৈরবা ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্রবা বি-১ ষ্ট্রেটিজিক বোম্বরশিং সাওথ কোরিয়াদা পাইশিন্দুনা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল সাইটশিং অদুদা মাঙজৌননা খূৎ থানবগী থৌরাংশিং চখখ্রবনি। লোয়ননা সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স জিম মাটিসতগী অকনবা অল্টিমেটমগী ৱারোল অমসু পীখ্রবনি।

জিম মাটিসনা মখা তানা হায়খিবদা, নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী রেজিমবু থুপচিন্নবগীদমক্তা এক্সন চখরোইদবনি। ইং ১৯৬১দা সিনো-নোর্থ কোরিয়ানা ত্রিটি ওফ ফ্রেন্দশিপকী মতুং ইন্না করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়াবু মরম চাদনা এটেক তৌবা তারগদি চাইনানা খূৎ থিংজিন্দুনা মতেং পাংবগী ৱাফমদা য়ানখিবনি। অদুম ওইনমক, পয়োংয়াংগী মায়কৈদগী লান হৌবা থোক্লুরগদি মতেং পাংবগী ৱাফম লৈরোই হায়রিবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা গ্বামগী ঈশিংগী শরুকশিংদা মিসাইল টেষ্ট তৌবগী থৌওংবু য়াম্না কন্না য়ানীংদবা উৎলিবনি। হৌজিক কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি খুদোংথীনিংঙাই ওইরে। চাইনীজ মেদিয়ানসু লান অমা থোরকপা অকিবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লিবনি।

খঙজিনবদা কান্নবা

থাইলেন্দগী চহী ৯১ শুরবী নুপী অমা বেচলর দিগ্রী ফংখ্রে

থাইলেন্দদা মশাগী চহী ৯১ শুরবী নুপী অমনা চহী ১০রোম ষ্টদি তৌরবা মতুংদা কোলেজগী দিগ্রী ফংখ্রে। মহাক্না লৈবাক অসিগী নিংথৌদগী দিপ্লোমা ফংখ্রে। কিমলান জিনাকুল কৌবী মশাগী চহী ৯১ শুরবী নুপী অদু গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা সুখোথাই থামাথিরট ওপন য়ুনিভর্সিটিদা হ্যুমেন অমদি ফেমিলি দিভলপমেন্টতা বেচলর ওফ আর্টকী দিগ্রী পীখিবনি। কিমলাননা হায়খিবদা, ঐখোয়না করিগুম্বা ষ্টদি তৌদবা অমদি তমদবা তারগদি করিমত্তা খঙলরোই। নিংথৌ মহা ভাজরাললোকোন বোদিনদ্রদেবয়াভরংকুননা দিপ্লোমা অদু খূৎশিন্নখি। থাইলেন্দ পব্লিক য়ুনিভর্সিটিগী দিপ্লোমা অসি ত্রেদিশনেলগী ওইনা রোয়েল ফেমিলিগী মেম্বরশিংনা শীজিন্নে।

ফিলিপ্পিন্সতা মেগ্নিচুদ ৬.৩ য়ৌনা য়ুহার হাখ্রে

মনিলা, অগষ্ট ১১ (য়ু এন আই) ঃ ফিলিপ্পিন্সতা মেগ্নিচুদ ৬.৩ য়ৌনা য়ুহার হাখিবদগী মীয়াম্না মীপাইনখ্রে। অদুম ওইনমক থোইদোকপা অমাঙ-অতা অমদি মীশি-মীনা থোকখিবদি লৈখিদ্রে হায়না ওফিসিয়েল রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

ফিলিপ্পিন্সকী কেপিটেল মনিলাগী খাথংবদা কিলোমিটর ৬৫ রোম লাপ্পা বটাঙ্গা প্রোভিন্সকী নাসুগবু টাওনগী খা নোংচুপ থংবদা য়ুহার হাখিবগী অসি ইপিসেন্টর লৈরিবনি হায়না ফিলিপ্পিন্স ইন্সটিট্যুট ওফ ভোলকেনোলোজি অমদি সিস্মোলোজিগী ৱারোল মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

য়ুহার হাখিবগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মশীং য়াল্লবা মীওইশিং মীপাইবা পোকপদগী লম্বী-সড়ক্তা চেঙ্হোক্লরকখিবনি। চহী অসিগী জুন থাদসু মেগ্নিচুদ ৬.৫ য়ৌনা য়ুহার হাখিবগী থৌদোক্তা মীওই অনী শিখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি।

ফিলিপ্পিন্স লৈবাক অসি পেসিফিক রিং ওফ ফয়ারগী মনুং চন্না লৈরিবনি। মসিনা মরম ওইরগা মালেমগী ওইনা য়ুহার হাবগী থৌদোক চাদা ৯৫গী চাংদা থোক্লিবনি।

ফিলিপ্পিন্সতা অরোইবা ওইনা খ্বাইদগী চাওবা য়ুহার হাখিবগী থৌদোক অসি ইং ২০১৩গী ওক্টোবর থাদা মেগ্নিচুদ ৭.১ য়ৌনা য়ুহার হাদুনা মীওই ২২০ শিখিবগী থৌদোক অসিনা খ্বাইদগী শাথিবা ওইরিবনি।

ইং ১৯৯০ গী জুলাই থাদা মেগ্নিচুদ ৭.৮ য়ৌনা লুজোন আইলেন্দদা য়ুহার হাখিবগী থৌদোক্তা মীওই ২,৪০০ শিবিনি। মসিনা ফিলিপ্পিন্সতা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা য়ুহার হাবগী থৌদোক ওইখিবনি।

লোকেল টাইমদা নুংথিল পূং ১.৩০ তবা মতমদা থোকখিবা য়ুহার হাখিবগী থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শাফগদবা মফম য়েংদুনা হোংদোক্লখ্রে। অদুম ওইনমক য়ুহার হাবগী থৌদোক অসিনা সুনামি থোরকপা য়াবগী মীনিংঙাইহনি লৈত্রি হায়রি।

বাংলাদেশতা জে এম বিগী মেম্বর ১৩ চহী ২০ জেলদা লৈনবা দন্দি পীখ্রে

ধাকা, অগষ্ট ১১ (য়ু এন আই) ঃ বাংলাদেশতা ইং ২০০৫গী সেরিয়েল বোম্বিং কেসতা চেন্নবা জে এম বিগী মেম্বর ১৩ কোর্টনা চহী ২০ জেলদা লৈনবা দন্দি পীখ্রে হায়না ওফিসিয়েল রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

টাঙ্গাইল কোর্টনা আইন্না থিংবা মিলিটেন্ট আওটফিট জমাট উল-মুজাহিদ্দিন বাংলাদেশ (জে এম বি)গী মিলিটেন্টশিং অদু ইং ২০০৫গী সেরিয়েল বোম্বিং কেসকা মরী লৈননা জেলদা চহী ২০ চুপ্পা লৈনবা অহকপা দন্দি পীখ্রে। মখোয়শিং অদু বাংলাদেশকী টাকা ৩০,০০০গী শেনফম ফাইন তৌখ্রে। করিগুম্বা ফাইন থিবা ঙমদবা থোক্লগদনা চহী অহুম জেলদা লৈনবা মতম শাংদোকহনগনি।

টাঙ্গাইলগী এদিশনেল দিষ্ট্রিক্ট অমদি সেসন জজ অব্দুল মান্সুর মেহনা ভর্দিক্ট অদু লাউথোকখিবনি। ষ্টেট প্রোজিক্যুটর এদভোকেট মনিরুল ইস্লাম খাননা ইন্দিয়া টুডেদো ৱাফম অদু কনফম তৌখিবনি।

ইং ২০০৫ দা লৈবাক অসিনা টাঙ্গাইল কোর্ট প্রেমিজ য়াওনা মফম কয়াদা সেরিয়েল বোম্বিং কয়া চখখিবগী থৌদোক লৈখিবনি। মসিগী মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা সদার পুলিস ষ্টেশনগী সব-ইন্সপেক্টর বোরহান উদ্দিননা টাঙ্গাইল কোর্টতা এক্সপ্লোসিভ এক্টকী মখাদা জে এম বিগী লীদর বাংলাবাইগী মখাদা থবক তৌবা মীওই ১৯গী মায়োক্তা কেস ফাইল তৌখিবনি।

কেস অদু ফাইল তৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেইদ চখখিবা মীওই ১০ ফাখিবনি। মিলিটেন্ট লীদর ওইরিবা বাংলাবাই অমদি সাহিদ অব্দুল রহমনিদি অতোপ্পা কেস অমদা ফাঁসি তৌখ্রবনি। অদুগা অহুমশুবা মীওই অমনা জেল মনুংদা লৈরিঙৈদা নারকপদগী শিরখ্রবনি হায়রি।

য়ু এসকী লানগী জহাজনা সাওথ চাইনা সীদা চঙশিল্লকপবু চাইনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

বৈজিং, অগষ্ট ১১ (য়ুএন আই) ঃ য়ু এসকী লানগী জহাজ অমনা সাওথ চাইনা সীদা লৈরিবা আর্টিফিসিয়েল আইলেন্দ অমগী মনাক নক্না হোঞ্জিল্লকখিবা থৌওংবু চাইনাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

অমেরিকাগী দেষ্ট্রোয়র অদুনা য়েৎনরিবা সাওথ চাইনা সীগী লমদম অদুদা চঙশিল্লকখিবা থৌওং অদু চাইনাগী নেভিগী মায়কৈন্দগী চেকশিন ৱারোল পীরি।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন জেং সুৱাংনা হায়খিবদা, য়ু এস দেষ্ট্রোয়র য়ু এস এস জোন এস মেক্কেননা ইন্টরনেশনেল লো থুগায়দুনা চাইনাগী টেরিটোরি অদুদা চঙশিল্লক্লি। মসিনা চাইনাগী সোভরেন্টি অমদি সেক্যুরিটিদা চাওনা অকায়বা পীরি হায়রি।

য়ু এসনা চখরক্লিবা থৌওং অসিবু চাইনাগী মায়কৈন্দগী য়াম্না কন্না য়ানীংদবা উৎপগা লোয়ননা য়ু এসকী মায়োক্তা ওফিসিয়েল ওইনা প্রোটেষ্ট তৌবগী ৱারোল অমা থাখ্রে। চাইনানা আর্টিফিসিয়েল ওইনা শাবা য়েৎনরিবা লমদম সাওথ চাইনা সীদা লৈবা মিসচিফ রিফকী নাওটিকেল মাইল ৬কী অকোয়বদা য়ু এসকী দেষ্ট্রোয়র জোন এস মেক্কেন অদু হোঞ্জিল্লকখিবনি। য়ু এসনদি লমদম অদুদা মনিং তৌনা নেভিগেশন তৌবা য়ানবগীদমক দেষ্ট্রোয়র অদু থাজিনখিবনি।

সাওথ চাইনা সীগী স্প্রেটলি আইলেন্দগী মনুং চন্না লৈরিবা রিফ অদু চাইনাগা য়ুমথংনদুনা লৈরিবা লৈবাক কয়ানসু মখোয়গী লমদমগী শরুক্নি হায়না ক্লেম তৌবদগী য়েৎনবগী থৌওংশিং চখদুনা লাক্লিবনি।

য়ু এসকী ওফিসিয়েলশিংনা মশক মমিং তাকথোক্তনা ফোঙদোকখিবদা, চাইনাগী নেভিনা য়ু এসকী দেষ্ট্রোয়র অদুদা ১০রোম রিভিয়ু ৱার্নিংগী মেসেজ থারকখি হায়রি।

ফিলিপ্পিন্সতা মেগ্নিচুদ ৬.৩ য়ৌনা য়ুহার হাখ্রে

কেনয়াদা ওদিঙ্গাগী সপোর্টরশিংনা মায় পাক্লে ক্লেম তৌখিববু চেকশিন ৱারোল পীখ্রে

নাইরোবি, অগষ্ট ১১ (য়ুএন আই) ঃ কেনয়াদা ওপোজিশনগী প্রসিদেন্সিয়েল কেন্দিদেট রাইলা ওদিঙ্গানা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌরিবসি আইন্না য়াদবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা কেনয়াগী ইলেক্টোরেল কমিশনগী মায়কৈদগী ক্লেম তৌরিবা ৱাফম অদু অকনবা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে হায়না ওফিসিয়েল রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

কেনয়াগী ওপোজিশনগী মায়কৈদগীদি মখোয়গী মশীং অদু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইনকুম্বেন্ট প্রসিদেন্ট উহুরু কেনয়াটাদগী মাঙজিল থানা চৎলি হায়রিবনি। মসিনা প্রোভিজিনেল ইলেক্ট্রোনিক রিজল্টতা কেনয়াটানা মাঙজিল থানা চৎলিবা অদুগদি ওন্নতৈনবা ওইনা থোক্লি।

ইলেক্টোরেল কমিশনগী চিয়ারমেন ৱাফুলা চেবুকাটিনা ফোঙদোকখিবদা ভোট থীনবগীদমক লিগেলগী ওইনা অয়াবা বোদি ওইরিবা অসি ইলেক্সন কমিশন্নি। মহাক্না ওপোজিশনগী কোলিশনবু বেসিক মেথমেটিকেল্লিগী ওইনা অশোয়বা লৈ হায়না ফোঙদোক্লি।

ইন্টরনেশনেল ওবজর্ভরশিংনসু ইলেক্সন অদু ফ্রি অমদি ফ্যের ওই হায়না ফোঙদোক্লি। চহী ১০ মুক্কী মমাঙদা ইলেক্সন্দা ৱাথোক চাউনা থোকপদগী মীওই ১১০০ রোম হেন্না শিখিবা অমদি মীওই ৬০০০ লোম হেনবনা লৈফম চাফম লৈহনখিদবা হিংশাগী থৌদোক অদু অমুক হন্না থোরক্কদ্রা হায়না মীপাইবা পোকখিবনি।

শগোলশেন নুমিত্তা মথারেগী লম্বী সড়কশিংদা মশীং য়াল্লবা মীওইশিং থোরকখি। হায়রিবা মফম অসি কেপিটেল নাইরোবিগী স্লম ওইবা এরিয়ানি। মখোয়না উহুরু কেনয়াটাবু চৎখিগদবনি হায়বগী চেকশিন ৱারোলশিং পীখি।

চেবুকাটিনা হায়খিবদা অশেংবা রিজল্ট য়াওরবা দোকুমেন্টশিং অদু কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদগী নেশনেল টেলিয়িং সেন্টরদা থাখ্রবনি। ওদিঙ্গানদি ইলেক্টোরেল কমিশনগী সিষ্টেম অসি হেগ তৌরে। কেনয়ানাগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী শাথিবা ভোট হুরানবগী থৌওংশিং উবা ফংলে। অদুম ওইনমক কমিশনগী মায়কৈদগী হায়খিবদা, সিষ্টেম অসি হেগ তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদে।

ঙসি অথেংবা মতমদা ভোট অদুগী ফাইনেল রিজল্ট অদু লাউথোক্কনি। অফ্রিকান ওবজর্ভরশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎমী মীখল অদু ফ্রি এন্দ ফ্যের ওই হায়খিবনি। মমাঙদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইরম্বা জোন কেরিনসু মসিগী ইন্টিগ্রিটি অদু কায়দনা অদুমক চপ চানা লৈগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখিবনি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মায়কৈন্দগী হায়খিবদা কেনিদদেটশিং অদুনা মায়থিবা নেচরেল ওইনা য়াগদবনি হায়না তকশিল্লি।

য়ু এস অমদি সাওথ কোরিয়ানা মিলিটরি এক্সরসাইজ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে

সিওল, অগষ্ট ১১ (য়ুএনআই)ঃ নোর্থ কোরিয়ানা আইসিবিএম শীজিন্নদুনা য়ু এসকী গ্বামদা এটেক তৌগনি হায়না কিহনবগী থৌওংশিং চখবা তারগসু য়ু এস অমদি সাওথ কোরিয়ানা পূন্না মিলিটরিগী এক্সরসাইজ পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে হায়না ওফিসিয়েল রিপোর্টঅমনা ফোঙদোক্লি।

য়ু এস অমদি সাওথ কোরিয়ানা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সরসাইজ অদু চহীগী ওইবা ইভেন্টনি। নোর্থ কোরিয়ানদি অগষ্ট থাগী ময়ায় চল্লকপা শরুক্তা য়ু এসকী মিলিটরি বেজ লৈরিবা গ্বামদা হ্বাংসোং-১২ হায়না মিসাইল মরি কাপ্পবগীদমক্তা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

গ্বাম হায়রিবা মফম অসি য়ু এসকী মিলিটরি বেজ ওইরিবা মরু ওইবা মফম্নি। উলচি ফ্রিন্দম গার্দিয়া হায়না মিংথোনবা এক্সরসাইজ অদু অগষ্ট ২১ দগী ৩১ ফাওবা চখগনি। মসিদা য়ু এস অমদি সাওথ কোরিয়াগী মশীং য়াল্লবা লান্মীশিং শরুক য়াগনি।

নোর্থ কোরিয়ানা এটেক চখরকপা য়াবদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তা য়ু এস অমদি সাওথ কোরিয়ানা মিলিটরি এক্সরসাইজ অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অকন অরিং শীংবা ৱারোল কয়া ঙাঙশকখিবা অমদি নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী গ্বামদা এটেক চখনবগী থৌরাং চখরে হায়বগী ৱাফম লৈরিবা অসিনা হৌজিক কোরিয়ান পেনিন্সুলা অদুদা লানগী থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরিবনি।

য়ু এস অমদি সাওথ কোরিয়াগী ওইনদি মিলিটরি এক্সরসাইজ পাঙথোকপা অসি অদুমক চখদুনা লাক্লবা থৌওংনি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা সাওথ কোরিয়াগী ওসান মিলিটরি বেজদা য়ু এসকী লান্মী ২৮,০০০ হেন্না লৈরিবনি। নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈন্দগী করিগুম্বা এটেক চখরকপা য়াবা অসিনা মরম ওইরগা বেজ অদু ঙাকথোক্লবগীদমক্তা য়ু এসনা পেট্রিওট মিসাইল বেট্টরিশিং খিন্দুনা থমখ্রবনি হায়রি।



JOB VACANCY

Govt. Regd. No. 2808 (Estd. on 2013)

Sl. No.	Name of post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	Security/Ex-Serviceman/Supervisor	40		8000-15000
2.	Reception/Assistant Manager	8	X /Above	6000-10000
3.	Recovery Officer	10	X /Above	5000-10000
4.	Accountant/Computer Operator	13	XII/Above	5000-8000
5.	Air Hostess/Flight Steward	18	XII/Graduate	20000-50000
6.	Ground Staff/Air Ticketing	20	XII/Graduate	20000-30000
7.	Ground weight Checking/ Flight Cleaning	10	XII/Graduate	10000-15000
8.	Airport Driver/Loader	15	VIII/Above	10000-18000
9.	Attendant/House Keeping	3	X /Above	4500-8000
10.	G.N.M. B.Sc. Nursing, Lab Tech.	15		Negotiable
11.	Call Centre	10	Graduate	6000-13,000
12.	Helper, Cook, Chowkidar	12		5000-10,000
13.	Driver, NGO Driver	10	VIII Pass	5000-10,000
14.	Data entry	14		5000-15,000
15.	Agent	4		Negotiable

POST VACANT IN MERCHANT NAVY

1.	G.P. Rating/Deck Cadet. DNS	20	X and Above	50,000-1,00000

Free 3 Months Training Course Fee With Dress 100% Job Placement

Sl. No.	Course Available	Qualification	Age
1.	Tourism & Hospitality	XII and Above	18-30 yrs
2.	Electrician	X- Above	18-30 yrs
3.	W.D (Web Designing)	X- Above	18-30 yrs
4.	P & M (Pumps & Motors Repair)	X- Above	18-30 yrs
5.	L.A.D.E. (Lab Asst. at Diagnostic Centre)	X- Above	18-30 yrs

First Comes First Serve : 8258993369 Job Helpline and Counselling
Call : 2. 7422070155
Date of Submission : 16/8/2017 Date of Interview : 17/8/2017

NT/Z/29,31,2-13(Aug)

সাওথ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় শানিংবগী অপাম্বা উৎখ্রে

সিওল, অগষ্ট ১১ (য়ু এন আই) ঃ হৌজিক কোরিয়ান পেনিন্সুলা অসিদা উংখৎনবগী থৌওং অমা চখরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা সাওথ কোরিয়ানা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক্তা ন্যুক্লিয়র শানিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

সাওথ কোরিয়া লৈবাক অসিদা য়ু এসকী লান্মী ২৮,৫০০ লৈদুনা নোর্থ কোরিয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবনি। লৈবাক অসিনা মশাগী ওইনা ন্যুক্লিয়র শাবদা অথিংবা লৈরি। য়ু এসকা ইং ১৯৭৪ দা এটোমিক ইনর্জি দীল অমা সহী তৌনখিবা অদুগী মতুং ইন্না সাওথ কোরিয়াদা য়ু এসকী লান্মীশিং অদু থম্লগা ঙাক-শেনবগী খোঙথাংশিং পায়খৎলিবনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় শাবগী ওইনদি অথিংবা লৈবনা মরম ওইরগা সাওথ কোরিয়া লৈবাক অসিগী ওইনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈত্রি।

সাওথ কোরিয়াদা এটেক চখরকপা খূদীংমক য়ু এসনা ঙাকথোক্লবগী ওইবা খোঙথাং পূম্নমক পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা অবা ত্রিটি অদুদা পীখিবগী মতুং ইন্না সাওথ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র শাবদা অথিংবা লৈরিবনি হায়রি।

ঈ তাবা, চাফাৎপা, পোম্বা, হাক্কচবা, পোমথোক্লগা লৈবা, ফম্বা ঙমদবা, মসিবু ফহনবা **Arshnasak Piles Capsule**
DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

(নুংশং অমসুং গ্যাসত্রিক)

নুংশং ঈ তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই, খোং হান্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী। পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হান্বা নুঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

(নুপাগী প্রোব্লেম)

শক্তি হন্থবা, হকতিন্নবগী শক্তি ৱাৎপা, ফম্বী থুনা থোকপা, মপূং ফাবা ঙমদবা, ফম্বী পাবা, ফম্বী থোকপা ৱাৎপা, অহিংদা ফম্বী চৎপা, মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নবা, খোং হান্বদা ফম্বী লোয়নবা, হকচাংগী ফিনুংগী হাক্কৎচবা অসিনচিবশিং অসি অয়ুর্বেদিক হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্নে। চাউথোকপা, শাংদোকপা ঙম্বা মেল ওর্গনান দিভেলপর মেছিনসু অদোমগী অপাম্বা মখলদা ফংবীগনি।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা চাং ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কৎচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি ব্রেষ্ট অপীকপা অমসুং চোন্থবা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজহনবা পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপূং মরৈ ফাহনবা ঙম্বা অয়ুর্বেদিক ব্রেষ্ট ওইলমেন্ট্স অমদি মেদিসিনসু ফংবীগনু।

ডাইবেটিস লায়নানা মরম ওইরগা অহিংদা ঈশিং তোয়না চৎপা, ৱেথ চাং হন্থবা, পাঙ্গল শোন্থবা, সেক্সকী শক্তি ৱাৎলকপা অসিনচিংবা অসি ঐখোয়গী হীদাক চাং নাইনা চাবীয়ু নোংমা নোংমগী ডাইবেটিস চাং হন্থরক্কনি অদুগা সেক্স পৱার নোংম-নোংমগী কনখৎলক্কনি।

(অঙৌবা পকপা অমসুং উনশাগী লায়না)

অঙৌবা পকপশিংগীদমক থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সনসু লৈজরে। অদোমগী অঙৌবা পকপা লৈরবদি লোৎশিন্দুনা থম্বীগনু, অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু DUTTA CLINIC তা অমদি Skin Diseases, S.T.D. ECZEMA, উরিং, ফি লাইকোই অসিনচিংবা অতৈ স্কিন দিজীজসু লায়েংজরি।

(শমগী প্রোব্লেম অমসুং নাকোংগী প্রোব্লেম)

শম পোকখায়বা, শমজাবি, চহীগা চানদনা পোক হৌবা, শম কেনবা অসিনচিংবশিং অসি কোক্তা তৈনবা থাও অমদি মেদিসিন খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হন্থরক্কনি। শমগী মচু ওল্লক্কনি।

নাকোং, না তাবা ৱাৎপা নাকোং নাবা, হান্না করিসু তৌদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি অতৈ অতোপ্পা মখলগী নাকোংগী লায়নাশিং কয়াসি লৈরবদি লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(অরথ্রাইটিস জোইন পেন অমদি অজমা)

তাঙ-তাঙ চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎ শিথবা মসল নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা, অজমা, লোক খুবা, মিহুন কা-হেন্না চোংবা, শ্বর ফূনগৎপা, থবাক খেবা, থবাক নাবা, লোক কংখু খুবা অসিনচিংবশিংগীদমক ৱাবীগনু অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(লূম্বা হেনগৎপা)

চহী মতাং অমদা হেক্তা লৈবা নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচা মশাগা চানদবা মওংদা কংবা, মশা পাবা, ৱেথ য়াওদবা, মদুগীদমকসু ঐখোয়গী হীদাক্না ফহনবা ঙম্মী। লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(য়ু করম্না থাদোকহৌগনি)

য়ুদা লাইচুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা ঐখোয়গী হীদাক অসি চাং নাইনা পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোকপা ঙমগনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House, Building.
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

PRIMUS TUTORIALS
Stairway to your Success
+919731255337/9774343043
+919862039811
Uripok Naoremthong Bazar, Imphal West

MPSC PRELIM - 2017
Course Fee Rs.12,000/-,Duration 4 months (Morning Batch) 8-10 am. Class Commencing from 3rd July 2017

GENERAL FOUNDATION COURSE
(SSC/IBPS/Bank POs others Central & Manipur Govt./Deptt. Jobs)
Course Fee Rs.10,000/-,Duration 4 months (Morning Batch) 8-10 am Class Commencing from 3rd July 2017

MATH & REASONING FOUNDATION COURSE - Specially designed for all competitive examinations.
- By well trained & experienced faculty (Course fee Rs.5000/- Durationn 40 Lectures Morning 9 to 10.30a.m)
- Class Commencing from 3rd July 2017

ATTEND ANY 3 TRIAL CLASSES. 10% DISCOUNT FOR EARLY BIRDS.

NT/Z/B

ADMISSION is going on

For the following SKILL Development courses in our SIMPS Institute at Pangei, Imphal, Manipur.

- B.Sc. Radiology and Imaging Technology.
- B.Sc MLT, DMLT, ECG, X-Ray
- B.Sc Naturopathy and Yoga Science,
- Diploma in Operation Theatre Technology,
- M.Sc MLT, B. Sc. O.T
- M.Sc Radiology and Imaging Technology,
- M.Sc Naturopathy and Yoga Science.

NT/Z/B